# গুরুদ্বারা নঙ্কনা সাহিবতা এটেক তৌখিবগী মতাংদা য়ুথ কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ০৪ (এজেন্সী):

পাকিস্তানদা লৈবা গুরুদ্বারা নঙ্কনা সাহিবতা মীয়াম্না এটেক তৌখিবগী মতাংদা ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখিবগা লোয়ননা পাকিস্তানবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল ইবা বেন্নর কয়াসু পায়খি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মীওই খরনা গুরুদ্বারা নঙ্কনা সাহিবতা নুঙ লংশিন্দুনা এটেক চথখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

সিখ লাইনিং হৌদোক্লম্বা গুরু নানক দেবকী পোক্লফমদা গুরুদ্বারা নঙ্কনা সাহিব শারম্বনি। সিরোমনি অকালি দলগী লুচিংবা অমদি ৱার্কর কয়ানসু সেন্ত্রেল দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তান হায় কম্মিসন মনাক্তা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াগী এম্বেসি লৈরিবা চনক্যাপুরিদা প্রোটেষ্টরশিংনা পাকিস্তানি প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি।

অমরোমদা, পাকিস্তানগী মীওই খরনা গুরুদ্বারাদা এটেক চথখিবগী থৌওং অদু মীশিং য়ামজদবা কাংলুপকী মীওইশিং তাথি তাওইনা তৌবিবনি হায়না বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়খি, সিখ লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা খ্বাইদগী শেংলবা লাইশঙনি হায়না লৌনরিবা গুরুদ্বারাদা এটেক চথখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনা পাকিস্তানদা মীশিং য়ামজদবা কাংলুপশিং হন্থবা থাক্তা থম্বীরি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবগী মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। দিল্লিগী এম পি গৌতম গম্ভিরনসু চপ মান্নবা মওংদা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা খোঙদোক্লদুনা হায়খি, নুপীমচা অমা নমদুনা মুস্লিম লাইনিং চৎহন্নবা হোৎনবগী ৱাহৌদা মীওই খরনা গুরুদ্বারাদা নুঙ লংশিন্দুনা এটেক চথখিবদু খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

পনবা য়াবদি, পাকিস্তানদা মুস্লিম নুপা অমনা সিখ নুপী অমা লুহোংদুনা লৌরবা মতুংদা নুপী অদুবু ইস্লাম লাইনিং চৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী নাকল অনী য়েৎনরকখিবনি হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা মীওইচা কয়ানা সিখশিংগী শেংলবা লাইশঙদা এটেক চথরকখিবনি।

# এন্টি সি এ এ প্রোটেষ্ট ঃ লন-থুম মাং তাকহনখিবা মীওই ৪৬তা নোটিস থাখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ০৪ (এজেন্সী):

উট্টর প্রদেশকী মুজাফর নগরদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)গী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মীয়ামগী লন-থুম মাং তাকহনখিবদা চেন্নবা মীওই ৪৬তা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা নোটিস থাখ্রে।

এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমিত কুমারনা লুচিংবা কম্মিতি অমনা মীওই ৪৬তা নোটিস থাখিবনি। দিসেম্বর ২০দা মীয়াম্না সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপদা লন-থুম মাং তাকহনখিবগী থৌওংদা হকথেংননা চেন্নে হায়বগীদমক মীওই ৪৬তা নোটিস থাখি। জন্যুৱারী ৯ ফাওবদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না মীওইশিং অদুদা খঙহনখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা সি এ এগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা মদ্রাসাগী মহৈরোয় ৪ কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না থাদোকখ্রে। চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মীওইশিং অদু থাদোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এক্টিবিষ্ট এক্তা অমদি রবি সেখরসু অতোপ্পা মীওই ৮৬কা লোয়ননা থাদোকখ্রবনি। দিসেম্বর ১৯দা সেখর মতৈ মনাও য়াওনা মীওই ৫৯ সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবগীদমক পুলিসনা ফাজিনখি। হৌখিবা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা এদিস্নেল সেসন্স জজ ভরানসিনা এক্তা, রবি অমদি অতোপ্পা মীওই ৫৬ বেলদা থাদোক্লবা য়াথং পীখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সি এ এগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেসপু মরাল শিখ্রে।

# মহারাষ্ট্রদা সিব সেনাগী মিনিষ্টর অমা ফম থাদোকখ্রে

মুম্বাই, জন্যুৱারি ০৪ (এজেন্সী):

মহারাষ্ট্রদা সিব সেনাগী লুচিংবা অব্দুল সটারনা মহা বিকাস অগাদি গর্ভর্ণমেন্টতগী রিজাইন তৌখ্রে।

এসেমব্লীগী মীখল মমাঙদা কোংগ্রেসতগী তোল্লগা সিব সেনাদা য়াওরকখিবা মীওই অদু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহনবগী মহুৎতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইহল্লি হায়বগীদমক ফম থাদোকখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক ঔরঙ্গবাদকী এম এল এ অব্দুল সটারনা ফম থাদোকপগী ৱাফম পার্টিনা অয়াবা পীদ্রি হায়না সিব সেনাগী লুচিংবা একনাথ সিন্দেনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউতনা হায়খি, অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর উদ্ধব থাকরেনা অব্দুল সতারগা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নরগনি। মিনিষ্ট্রি চাওথোকহনবা মতমদা লুচিংবা খরনা ফম পায়বা ফঙহৌদবগী মতাংদা শাওনিংবা হৌনসানি। অদুবু মহাক বিকাস অগাদিগী লৈঙাক ওইবা মরম্না সিব সেনা মথন্তনা মিনিষ্টরগী ফম পুন্নমক পায়শিনবা ঙমদে। হান্না কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরম্বা অব্দুল সতারবু হন্দক্তা মহারাষ্ট্রগী ষ্টেট মিনিষ্টর অমা ওইনা ৱাশক লৌখিবদা ঙাইহরিবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অব্দুল সতারগী মচানুপা সমির সতারনা কম্মেন্ট অমত্তা পীখিদে।

মমাঙদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানসু মিনিষ্টর ফম ফঙহৌদবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি। সিব সেনানা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি অমসুং কোংগ্রেসকা খুৎশম্নদুনা মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক শেমখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টরগী ফম ফঙহৌদবা এম এল এশিং ইরাং হৌরকপগী ফিভমদা লাক্লে। দিসেম্বর ৩০দা উদ্ধব থাকরেগী মচানুপা অদিত্যা থাকরে, এন সি পিগী অজিৎ পাৱর অমদি অতোপ্পা মীওই ৩৪বু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুং পুংজা খরা লৈরগা এন সি পিগী এম এল এ প্রকাস সোলানকেনা ফম থাদোকপগী ফিরেপ লৌখি।

চৈরকসিদা এলাইয়েন্সকী পার্টিনর অয়াম্বা মিনিষ্টরগী ফম পায়হনবা য়ানবগীদমক মহারাষ্ট্রদা অনৌবা দিপার্টমেন্ট খরা শেম্নগী ফিভমদা লৈরে। এন সি পিগী স্পোক্স পার্সন নৱাব মালিক্না হায়খি, চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওরিবা পার্টি খুদিংমক্তা চপ মান্ননা পোর্টফোলিও পীবা ঙম্নবগীদমক অনৌবা দিপার্টমেন্ট খরা শেমগৎপা য়ানা লৈরে। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টর্স ওফিস, কম্মর্স অমদি মেট্রোনচিংবা অনৌবা মিনিষ্ট্রি খরা লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়রি।

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 28/SDC/NBL of 2020**

Naorem Jiten Singh S/o (L) N. Abera Singh of Naorem Makha Leikai *-Petitioner*

-Vrs-

(Late) Naorem Abera Singh S/o (L) Bor Singh of Naorem *-O.P.*

**/ NOTICE**

Dt. 04/01/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 14 (Old), 365/1047 (New), Dag No. 2110/P, Area 0.20 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- S. Dhiren Singh**
**Sub-Deputy Collector, Nambol**

HL-P/5870/5

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 6/AS&SO-III dt: 3-01-2020**

Leitam Memcha Devi W/o (Late) Amubi Singh of Kongpal Kongkham Leikai. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Leitam Amubi Sing S/o (Late) Angangjao Singh of Kongkham Leikai. *...O.P.*

**/ NOTICE**

Imphal, the 4/1/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৩- কোংখাম লৈকায় পাট্টা নং ৪০ (অরিবা), ৮০ (অনৌবা), দাগ নং ৭৭, এরিয়া .০৭৫৯ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার লৈতাম অমুবী সিংহ অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১/১/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

HL-P/5867/5 *Sd/-* Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur


**CAS COACHING CENTRE**

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE

CLASS X & XII

(2020 - 2021)

Classes Commencing from 13th Jan. 2020

Seats are Limited First Come First Served

SPECIAL FEATURES:

1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2021 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2021 Final Exam.

COHSEM
CBSE
BOSEM

Facility :- #Morning Batch (5.00-8.00AM) # Evening Batch (4.30-7.30PM)

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/5714/3-13jan



ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4529/25oct.to23nov.


### / য়াম্না নুংঙাইজে পাইলস ফহনবগীদমক থাগৎচরি

ঐগী হকচাংসি চহী ৫ পাইলসকী অৱাবা খাংদুনা লাকখি। শা-ঙা চারগনা ৱাবা হেল্লি। খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, শৌজগী অকোয়বদা চাথৎলগা থুপ্পা, শাবা-চিকপা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, চক-চক থিনবা, হাকৎচবা, পুক নুংঙাইতবা নুংশিৎ কাবা, শৌজ নাম্থরকপা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা মচা-মচা পোমথোরক্লগা লৈবা, খ্বাং নাবা, চানীংবা পোক্তবনি। অদুবু ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ১৮নিদা মপূং ফানা পাইলস ফজখি। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No.দি 8794429681, 8014623756 নি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

*থাগৎচরিবা :* **E. Ratan Singh**
**Bashikhong Torban**

HL-P/5437/5

### /কে সী পি - পি দব্লিয়ু জিগী মফমদা হায়জবা

মণিপুরগী লোকল পেপরশিংদা কে সী পি - পি দব্লিয়ু জিগী পি আর ও চীংখৈঙানবনা থম্বীরক্লিবা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী অমদি লূপ অসিগী মফমদা ৱাফম খরা থমজরি, মদুদি হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী জুলাইগী তারিখ ১৮দা লৈখিদ্রবী বেবীসনাগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী টিচিং এন্দ নন-টিচিং ষ্টাফশিং লোয়ননা স্কুল অসিগা মরী লৈনরিবা খুদিংমক্না লৈখিদ্রবীগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা হীরম কয়াদা কো-ওপরেসন পীদুনা লাকচরি। মখা তাবা কো-ওপরেসন পীনবগীদমকসু মতম পূম্বদা থোঙ লাউনা হাঙজদুনা লৈজরি। বেবীসনাগী লাইবক থীবা থৌদোক অসি নত্তনা অসিগুম্বা মহৈরোয় লৈখিদবগী থৌদোক অমত্তা স্কুল অসিদা থোকখিবা লৈতে।

স্কুল অসি লিংখৎখিবা কুমজা ১৯৯৪দগী ঙসি ফাওবদা মতিং লৈবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাকচরি। স্কুল অসিনা কনা লৈজদ্রবা মহৈরোয় কয়াদা লেম্না মহৈ তম্বা ফংহন্নবগীদমক খুদোংচাবা কয়া পীদুনা লাকচরি। লমদম অসিগী হীরম কয়াদা চেরিটেবল ফন্দ কয়া মতেং পাংদুনা লাকচরি। হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াদা পূক্লিং থৌগৎপা, লমদম অসিগী পুৱারীগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা স্কুল অসিনা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকচরি।

লাইবক থীবা থৌদোক অসি কনানসু থোকহন্নীংবা নত্তে অমদি কনানসু তম্বা ঙম্বা নত্তে লোয়ননা স্কুল অমত্তনা স্কুল অদুদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংবু চৈরাক পীনীংবা কনাসু লৈরগ্লোই। মতম পূম্বদা স্কুল হায়বসিগী মরুওইবা মচাক্তি মহৈরোয়শিং অসিনি। মরুওইবা মচাকশিং অসিবু হীরম কয়াদা ঙাক-শেনবা হায়বসি স্কুল খুদিংমক্কী মরুওইবা অপাম্বনি। অরোইবদা স্কুল অসিদা য়েংবীরিবা মীৎয়েং অসি কোমথোকপীয়ু হায়না লূপকী মফমদা নোল্লুকচরি।

তাং ৪/০১/২০২০

**Sd/- Kh. Prafullo Singh**
Principal (i/c)
Standard Robarth Hr. Sec. School, Canchipur - 795003

HL-P/5863/5

### /অমাংথোঙ মনুংদা মরূ-মরূ লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা পুক মচেৎ-মচেৎ নাবা ফহনবগী ওজা MV. Qayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলগা ওনীং-ওনীং লাওবা, অমাংথোঙ মনুংদা মরূ-মরূ লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা পুক মচেৎ মচেৎ নাবা, অমাংথোঙ অকোয়বদগী খরা চৎখৎলগা পোম্বা, পোম্বদু কায়খ্রগা নাই চারগা মচুম তাবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থোক্লকপা তৌরম্বা অদু **MV. Qayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Qayamuddin বু পুন্সি চুপ্পগী মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, লোয়ননা মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

*থাগৎচরিবা :* **Sinam Mohenchandra Singh**
**Tellou Chana**

HL-P/5414/05


### /MULTIPLE JOB VACANCIES

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1. | GNM | 8 | Experience or Fresher | 13,000/- |
| 2. | B.Sc. Nursing | 8 | -do- | 16,000/- |
| 3. | H.R. Manager | 2 | Experience 2 yrs. | 20,000/- |

**REQUIRED POST**

| Sl. | Name of Post | Vacancy | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Receptionist | | X/XII | 5,500/7,000 & above |
| 2. | Field Worker | | VIII Pass | 6,000/- |
| 3. | Financial Advisor | | XII Pass | Negotiable |
| 4. | Driver | | VIII | 6,000/- |
| 5. | Security Guard | | VIII | 6,000/- |

Last date of Form Submission : 16-1-2020
Date of Interview on : 17-1-2020

**LIFE CARE JOB CONSULTANCY**
Sagolband Salam Leikai, Imphal- 795001
Regd. No. 14/006/21/04/70/MICRO PART-1
**Please Contact : # 9383093678, # 8794829055**

HL-P/4541/5-15(alt.)


### / পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, নাকোং ঙংবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি




ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিক্না য়াম্না কন্না নাদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খৌনাও ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, ওইগী খোঙ নাম্মা মরক মরক্তা চিংলকপা, খ্বাং য়াম্না নারগা থবক কুইনা শূবা ঙমদবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা অশিনবগা লোয়ননা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, থবক শূবা ঙল্লক্তবা, পোত্থারগতা লৈনীংলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্লকপা, নাকোং ঙংবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী চিকপা-নাবা, মসলশিং চিকপা-নাবা, কময়া অনীমক চিকপা-নাবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5805/05 *থাগৎচরিবা :* **T. Yaima Singh, Pangei**

### /খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা ব্রি-ব্রি চেল্লগা হাকৎচবা, খোঙ শেংনা অমুক্তদা হামদোকপা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা মফম অদুদা নাই চারগা য়াম্না চিকপা-নাবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা ব্রি-ব্রি চেল্লগা হাকৎচবা, খোঙ শেংনা অমুক্তদা হামদোকপা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা মফম অদুদা নাই চারগা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, কময়াদা নাবা, পুক কংখৎলগা নুংঙাইতবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, কোক নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবগী ৱাখল ইরৈ লৈতবা, অহিং মপূং ফানা তূম্বা য়াদবা, মীকপ তোয়না থোকপা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, কোক ঙাওবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থবা, য়াংলেম শরূদা চিকপা-নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খূৎশা-খোঙশাশিং জিং-জিং লাওরগা করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275/ 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat. and Wed open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/5598/05 *থাগৎচরিবা :* **N. Naresh, Andro**


**SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL**

**POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL**

Recognised by the BOSEM & COHSEM

**ADMISSION OPEN**

FOR THE ACADEMIC SESSION 2020

FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

HL-P/5851/3,5,6



**ADVANCED COACHING INSTITUTE**

REVISION COURSE FOR CLASS X AND XII (SCIENCE & ARTS) —23RD Dec.2019

2019 BOSEM TOPPERS



2ND POSITION ASEM SOPHIYA · 7TH POSITION W. NINGTHEM · 7TH POSITION W. SANAMATUM · 8TH POSITION U. ADHITYA · 15TH POSITION REHAN YUMNAM · 22ND POSITION ROSHAN KH. · 23RD POSITION RICKY KHAIDEM · 23RD POSITION SOIBAM DAINA · 24TH POSITION LAMJINGBA · CBSE ANOUBAM SNEHA CBSE (X) 95.5%

Vacation Course Of 20 Days, class 6 — 12

2019 COHSEM SCIENCE TOPPERS · 2019 COHSEM ARTS TOPPERS



4TH POSITION ROBINSON · 6TH POSITION SHAHA MINHAZ · 8TH POSITION ANJU ANAND · 9TH POSITION THOUNGAMBA · 16TH POSITION SAMANANDA · 5TH POSITION KH. SHARMELI · 5TH POSITION H. BERON · 6TH POSITION LINTHOINGAMBI · 10TH POSITION L. BRINDASHI

FOUNDATION COURSE

CLASS 6 -12

3rd Jan. '20

SEPARATE HOSTEL BOYS' & GIRLS'

RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY

- BASE ON BOSEM, COHSEM & CBSE EXAM PATTERN SYSTEM
- TO SCORE HIGH MARK AND QUESTION ANALYSIS OF PREVIOUS YRS

TIME: 04.40 — 7.40 A.M · 10.00 — 4.00 P.M · 04.30 — 7.50 P.M

THE 5TH PRELIMINARY SAMPLE OF HSLC & COHSEM EXAM '20

| CLASS X SUBJECT | EXAM DATE | CLASS XII SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|---|---|
| MATHS | 19/01/'20 | MATHS | 19/01/'20 |
| SCIENCE | 26/01/'20 | PHYSICS | 26/01/'20 |
| ENGLISH | 30/01/'20 | CHEM | 30/01/'20 |
| SOCIAL SC. | 02/02/'20 | BIOLOGY | 02/02/'20 |

CASE PRIZE OF 2 LAKHS & SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO WITH CERTIFICATE

LAST DATE OF FORM SUBMMISSSION WILL BE ON OR BEFORE 10 JANUARY '20. FORMS ARE AVAILABLE IN THE OFFICE.

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION

FOR QUARY : 9862992105

HL-B/575799/12nov. to 11 dec.



TODAY

DATE: 5 JAN., 2020

**BUMPER HOUSIE DRAW**

IN AID OF FUND DRIVE
KNLH&HCS
Regd. No. 47/CS/A/92-93

Ticket Rate ₹ 4000/-

TIME : 6:00 PM

1st HOUSEFULL SWIFT · 2nd HOUSEFULL SWIFT



MINI BUMPER
TICKET RATE ₹ 150/-
PRIZES : Rs.30,000/-

2MINI BUMPER TICKET RATE ₹ 600/-

1st HOUSEFULL · 2nd HOUSEFULL · 3rd HOUSEFULL



Quick-5 : ₹ 20,000/-
1st Line : ₹ 20,000/-
2nd Line : ₹ 20,000/-
3rd Line : ₹20,000/-
STAR : ₹ 20,000/-

VENUE: SINGJAMEI THONGKHONG KSHTRI LEIKAI

HL-P/5874/5